# ‘টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মেদল ফংবগী থৌরমদা মাস্ক উপকদবনি লোয়ননা পোদিয়মদা গ্রুপ ফোটো লৌবা য়ারোই’



টোকিও, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী জপাননা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২রকশুবা ওলিম্পিক গেমসকী মকোক মথং তাবগী মেদল পীবগী থৌরমদা শরুক য়াগদৌরিবা পূম্নমক মাস্ক উপকদবনি লোয়ননা মেদল ফংবশিংনা পোদিয়মদা লৈরগা পূন্না ফোটো কাপ্পা য়ারোই হায়বগী অনৌবা চৎন-কাঙলোন অমা লাউথোকখ্রে হায়না জপানগী মমিং লৈরবা পাউচেশিংগী রিপোর্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

জপানদা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা চৈথেং পীদুনা হান্না লৈরম্বা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অদুদগী অহেনবা চৈনা ফংলিঙৈ মনুং অসিদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী অমসুং জপান লৈঙাক্না ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লনবগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না লৈবাক অদুগী মেদিকেল এক্সপর্টশিং অমদি মীয়াম্মা ওলিম্পিক গেমস অদু য়েথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লবসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা পাঙথোক্লনবা শিল্লিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিং অমদি লৈঙাক অদুগী মায়কৈদগী য়ানবগী মতুংইন্না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগা পাউ ফাওনরগা জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা মমাংদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসশিংগা মান্নদবা মওংদা মীরমগী ভাবোক অমত্তা মীৎয়েং তাবা য়াররোই। লোয়ননা জপান মচাশিংসু পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী ইভেন্টশিংদা মীৎয়েং তাবা য়াবগী খূদোংচাবা অদুসু হান্না লৈরম্বা অদুদগী তেনশিল্লগা মশীং য়াম্না হন্থবা নৎত্রগনা মীৎয়েং তাবা য়ারোইদবগী ফীভম লৈরি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মেদলশিং অদু পীবগী থৌরমদা মশা-মশানা মেদলশিং অদু লৌরগা মঙক্তা য়ানশিঞ্জগদবনি হায়বগী ৱাফম থল্লক্লি। হায়রিবা খোঙথাং অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈ মনুং অসিদা অহেনবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবগী খোঙথাং অমা ওইরি। মখা তারদুনা মেদল য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগদৌরিবা ওফিসল পূম্নমক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন হান্না কাপথোকখিবগী চেচাং উৎকদবনি। লোয়ননা থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর অমা, মশান্না অদুগী ইন্টরনেসনল ফেদরেসনগী মীহুৎ অমা য়াওরগা অতোপ্পা ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী মেম্বর অমা য়াওবা য়াহনবগী খোঙথাং অদু লৌখৎলি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লনবা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা চয়োল অমখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা টোকিওদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকপগী রিপোর্টফংলি। ঙরাং টোকিও সিটিদা কোভিদ-১৯গী ওইবা অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মশীং অদু চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা মীওই ১৪৮৫ রেকোর্দ তৌখিবা অদুগী মতুং মীওই ১১৪৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি।

টোকিওগী গভর্ণর য়ুরিকো কোইকেনা ফোঙদোরকপদা, সিটি অদুদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি মশাগী চহী ৫০গী মথক্তা লৈবনা অয়াম্বা ওইরি হায়না ফোঙদোরকখি। মখোয়শিং অসি হোস্পিটালদা কোভিদগী লাইওংশিং লৈবা খক্তা নৎতনা অতোপ্পা অনাবশিংগী লাইওংসুয়াওনা রিপোর্টতৌরকখিবনি হায়রি। পনবা য়াই, জপানদা ঙসি ফাওবদা মীওই চাদা ১৯.৭ ভেক্সিন কাপ্পদা ঙাইরি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় মিরাবাই চনুনা অকনবা মওংদা শেম শারি



মুম্বাই, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা ৩২রকশুবা ওলিম্পিক গেমসকী পাঙথোকফম টোকিওদা খোঙশানগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাইখোম মিরাবাই চনুনা নোংমত্তা ঙাইরবা মতম অসি ফাওবদা অকনবা মওংদা শেম শারি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুগী মনুং চন্না সিটি অদুদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় পূম্নমক মাংজৌননা আইসোলেসনদা লৈরবা মতুং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌথোক্তুনা নেগেটিভ ওইবগী রিজল্ট অদু পায়রগা লাক্কদবনি হায়রি।

সাইখোম মিরাবাই চনু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল ফংগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থল্লিবা এথলিট অমা ওইরিবনি। মহাকসু ওলিম্পিক গেমস অদুগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু ইন্দুনা আইসোলেসনদা লৈরবসু মহাক্কী ওইবা নোংমগী শাজেল অমদি মশান্না অদুগী ওইবা প্রেক্টিসশিং অদু চথদুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী খোঙথাংদা টোকিও পাংদ্রিঙৈ মনুং অদুদসু অদুম্মক হোৎনরি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা পীরিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা মরুওইনা ইন্দিয়াদগী লাক্কদৌরিবা এথলিটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিবনি। মরমদি ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্টকী কেস মশীং য়ামখৎলকপা অসিনা মরু ওইরিবনি। শান্নরোয় পূম্নমক নুমীৎ হুম্নিগী ওইবা আইসোলেসন/ ক্বারন্টিন চথদুনা লাক্লি। মখোয়না টোকিও সিটি য়ৌরবা মতমদসু নুমীৎ হুম্নিগী ওইবা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগদবনি।

মরক অসিদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নরোয় কয়া অমা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক্তা ট্রেনিং চথরিবশিং অদুসু টোকিওগী থল্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী কাঙলোনশিং অদু ইন্দুনা ক্বারন্টিন তৌনবগী থবক য়াওগদবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী ৱিকেট কিপর রিশব পন্ট কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী ৱিকেট কিপর ওইরিবা রিশব পন্ট অমসুং ট্রেনিং এসিষ্টেন্ট দয়ানন্দ গরানি কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে।

মথং থাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম অসিনা ইংলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজগী মাংওইননা শেম শারকপদা ৱিকেট কিপর রিশব পন্ট অমদি ট্রেনিং এসিষ্টেন্ট ওইরিবা দয়ানন্দ গরানি হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী কাঙলোনগী মতুংইন্না রুটিন ওইনা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি।

মখোয় অনীদা নৎতনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী মেম্বরশিং ওইরিবা বোলিংগী কোচ ভারত অরুন, ৱিকেট কিপর রিধিমান শাহ অমসুং অভিমন্যু ইশ্বরনসু আইসোলেসনদা লৈদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী মপাঙ্গল অদু হন্থরক্লি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হন্দক্তা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম ন্যু জিলেন্দনা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং শান্নরোয়শিং অসি চয়োল অহুমগী ওইবা ব্রেক অমা ফংদুনা লৈরিবনি। অদুবু ইংলেন্দদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং অদু চাং নাইনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবনি। মদুদা ৱিকেট কিপর রিশব পন্ট অমসুং ট্রেনিং এসিষ্টেন্ট দয়ানন্দ গরানি পোজিটিভ ওইরকপনি। পোজিটিভ ওইরবা মখোয় অনী অমদি অতোপ্পা মেম্বর অনী পূন্না মীওই ৪ অদু নুমীৎ ১০নিগী ওইবা আইসোলেসনদা লৈদুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদৌরি।

# এম পি এস সীনা শীন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবী জুদো শান্নরোয় শুশিলাগীদমক্তা য়াইফ থৌনী পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): জপাননা য়ূম্বু ওইরগা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা জুদোগী দিসিপ্লিনদা শরুক য়াগদৌরিবী মণিপুর মচা লিকমাবম শুশিলাগীদমক্তা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)না শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়াইফ থৌনী পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা লিকমাবম শুশিলাগী য়াইফ থৌনী থৌরম অদুদা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরিবা অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এল এম খৌতে, আই পি এস শরুক য়াখি। মহাক্তা নৎতনা এদিসনেল দি জি পি ওইরিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবকী সেক্রেটরি ক্লে খোংশাই, আই পি এসসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ডা. এস ইবোমচা, এম পি এস অমসুং ৯শুবা আই আর বিগী কম্মান্দেন্ট সর্দা লাইশ্রমসু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা য়াম্না নীংশিংবা য়াবা অমা ওইনা জুদো দিসিপ্লিনদা লিকমাবম শুশিলা য়াওরিবনি। মহাক্তা নৎতনা ৱেথলিফটিংগী দিসিপ্লিনদসু সাইখোম মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মেদল ফংনবা হোৎনরিবনি।

লিকমাবম শুশিলা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা লৈরিবনি। মঙোন্দা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা লূপ কয়ানা লৌশিন্ননবা পীরকখিবা ওফরশিং অদু নাথৈদুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী অদুম্মক শান্নদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা জুদো কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি।

ঙসি খুমন লম্পাক্তা শুশিলা লিকমাবমগী য়াইফ থৌনীখিবগী থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি জুদো মশান্নগী তোঙান-তোঙানবা মরুওইবা মীওই কয়া অমনা শরুক য়াদুনা মায় পাক্লবগী থৌরম পাঙথোকখি।

# কিমাক্সনা মণিপুরগী ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবশিংগীদমক য়াইফ থৌনীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): কংলৈ ইন্দিজিনিয়স মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৩দগী টোকিও সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর মচা মঙানা অথোই-অহেন ফংনবগীদমক্তা য়াইফ থৌনীখ্রে।

কিমাক্সকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মণিপুরগী ওইনা কুমজা ১৯৮৪দা য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলিস সিটিদা পাঙথোকখিবা ২৩রকশুবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী গোলকিপর অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পাঙন্থম নিলাকোমোলনা ওলিম্পিক শরুক য়াবা ঙমখিবনি। মহাক্কী মতুংদা মণিপুরগী ওইবা শান্নরোয় কয়ানা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙমখ্রবসু টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা পূন্না শান্নরোয় ৫না শরুক য়াগদৌরিবা অসিগীদমক্তা কিমাক্সকী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুদা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়বগী য়াইফ থৌনীখিবনি।

ৱেথলিফটিংদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরিবী সাইখোম মিরাবাই চনু, জুদোদা ইন্দিয়াগী ওইনা মথন্তনা লম্বা তৌগদৌরিবী লিকমাবম শুশিলা, বোক্সিংদা কুমজা ২০১২গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী এম সী মেরি কোম লোয়ননা নুপাগী হোক্কী টিমদা অফবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারিবা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা অমসুং নুপীগী হোক্কীদা কেপ্টেন ওইরম্লবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনুগীদমক্তা কিমাক্সনা য়াইফ থৌনীখিবনি।

# ‘রোদ টু টোকিও ২০২০ ক্যুইজ’গী মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা ৱাই এ এস মণিপুরনা মনা য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস (ৱাই এ এস)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ‘রোদ টু টোকিও ২০২০’ ক্যুইজকী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্না মনা য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকপা ক্যুইজ প্রোগ্রামনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী ফিল্মগী লম্দা মমিং লৈরবী এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রমসু শরুক য়াখি।

‘রোদ টু টোকিও ২০২০’ ক্যুইজকী মকোক মথং তাখ্রবা মীওই ৯দা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা মনাশিং অদু য়েন্থোকখি। মখোয়দা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা ‘টোকিও ওলিম্পিক্স২০২০’টি-শর্ট য়াওনা লোগো য়াওবা ফিজোলশিং অদু খূদোল তমখি। মণিপুরগী ওইবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা পীক্লবা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় মঙানা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা অদুগীদমক্তা হরাউবা অমদি চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু হেন্না থৌনা পীবগী থৌওং অমা ওইনা ক্যুইজ প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টিফুলেন মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নরোয়শিং অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ক্যুইজ প্রোগ্রাম অসি শীনবনি হায়খি।

# সাইখোম মিরাবাইগীদমক্তা ইবুধৌ খল্লাংবদা য়াইফ থৌনী পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীং লম্লাইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ২৩দগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবী ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুগীদমক্তা য়াইফ থৌনী পাঙথোকখ্রে হায়রক্লি।

নোংপোক ককচীং লম্লাইদা লৈবা দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন অমসুং মফম অদুগী ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা লোয়ননা মৈরা পায়বী লূপশিংগা খূৎশম্নরগা ইবুধৌ খল্লাংবগী মফমদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ওলিম্পিক গেমসতা মকোক থোংনবগীদমক্তা য়াইফ থৌনীখি। অপূনবা লূপশিং অদুনা সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা ৱেথলিফটিংগী দিসিপ্লিন অদুদা গোল্ড মেদল ফংবা ওইরসনু হায়বগী য়াইফ থৌনীখিবনি। য়াইফ থৌনীগী থৌরম অদুদা মিরাবাই চনু খক্তা নৎতনা মণিপুরদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয় মরিগীদমক্তসু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌনীখি।

# দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংখ্রবা ইবোমচানা মণিপুরগী ওলিম্পিয়ন ৫গী ইমুংশিংদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী শান্নবগী লম্দা লমজিং লমতাকপগী ওইরিবা কোচশিংদা পীবা খ্বাইদগী থাকৱাংবা মনা ওইরিবা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংখ্রবা মণিপুরগী বোক্সিং কোচ অমা ওইনা হৌরকখিবা অদুগা হৌজিক-হৌজিক্লা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওইরিবা লৈশাংথেম ইবোমচানা টোকিও ওলিম্পিকশরুকয়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় মঙাগী ইমুং-মনুংদা শেলগী মতেং পীখ্রে।



কুমজা ২০১০দা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবা কোচ লৈশাংথেম ইবোমচানা মহাক্কী করিয়রদা মমিং লৈরবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোম য়াওনা অতোপ্পা বোক্সর ৩৮ বু ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল ফংলকপগী লম্বেল অদুদা লমজিং লমতাকখি।

লৈশাংথেম ইবোমচানা নোংপোক ককচীংদগী ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টতা ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনদা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরিবী সাইখোম মিরাবাই চনুগী য়ুমদা চৎতুনা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০গী মতেং পীখি। কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমদা শরুক য়ারিবা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মগী য়ুমদসু চৎতুনা শেলগী মতেং লুপা লিশিং ১০ পীবগা লোয়ননা সাইটেসন অমসু পীরগা মায় পাক্লনবা থৌনীখি। হৈঙাংদা লৈবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা জুদো শান্নরোয় অমা ওইরিবী লিকমাবম শুশিলাগী য়ুমদসু চৎতুনা মতেংশিং অদু পীখি। থাংমৈবন্দদা লৈবা নুপী হোক্কী শান্নরোয় পুখ্রম্বম সুশিলাগীদা চৎতুনা চপ মান্নবা মতেং পীখ্রবা মতুং লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈবা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিদা চৎতুনা বোক্সর অদুগীসু চপ মান্নবা মতেং অদু পীখি।

**EMPLOYMENT NEWS**


- **IMPHAL BRANCH :-** Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- **SAMUROU BRANCH :-** Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- **MOIRANG BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **THOUBAL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **NAMBOL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : **L.G. MOTORS**
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/6970/28/6-18/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 171**

**GM Engel,Luis (2532) - FM Hess,Max (2378)**
**ch-GER DEM 2020 Magdeburg GER, 2020.08.18**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 g6 | 4.Bxc6 dxc6 |
| 5.d3 Bg7 | 6.h3 Nf6 | 7.Nc3 Nd7 | 8.Be3 e5 |
| 9.Qd2 h6 | 10.O-O b6 | 11.Nh2 Nf8 | 12.f4 exf4 |
| 13.Bxf4 Ne6 | 14.Be3 Nd4 | 15.Nd1 Be5 | 16.Kh1 Qd6 |
| 17.Bg1 Be6 | 18.c3 Nb5 | 19.a4 Nc7 | 20.Nf3 Bg3 |
| 21.Nf2 f5 | 22.a5 O-O-O | 23.axb6 axb6 | 24.Ra7 g5 |
| 25.exf5 Bxf5 | 26.b4 cxb4 | 27.cxb4 Qd5 | 28.Qe3 Bf4 |
| 29.Qxb6 Qb5 | 30.Rb7 Qxb6 | 31.Rxb6 Rd6 | 32.Ne4 Rxd3 |
| 33.Nc5 Rd6 | 34.Nd4 Bd7 | 35.Nxd7 Kxd7 | 36.g3 Nd5 |
| 37.Rb7+ Kc8 | 38.Ra7 Be5 | 39.Rff7 Kb8 | 40.Nb3 Rf6 |
| 41.Rfb7+ Kc8 | 42.Na5 Nc7 | 43.Bb6 Rh7 | 44.Bxc7 Rxc7 |
| 45.Ra8+ Kd7 | 46.Rbb8 Ke6 | 47.Re8+... | |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 170 Ans. :**
29. ...Bg5 30. Ng4+ Kxe4 31.Rd4+ Kf5 32. Bd3#Bishop and knight mate
30. Ng4+ Kxe4 31.Rd4+ Kf5 32.Bd3#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com